ফেসিজমগী লৈঙাক লাক্তনবা পুন্না হোৎনমিন্নসি : সোটিনকুমার

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, সী পি আইগী মখাদা কুমজা ১৯৭০গী জন্যুৱারী ১৫দা লিংখৎখিবা সী পি আই থৌবাল লোকলগী ৩৬শুবা লোকল কনফরেন্স ঙসি ক্ষেত্রি শঙলেন থৌবালদা পাঙথোকখ্রে।

সী পি আইগী হান্নগী সেক্রেটরি অমসুং ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট কমরেদ এল সোটিনকুমারনা পার্টিগী ফিরাল চিংখত্তুনা হৌদোকখিবা থৌরমদুদা সী পি আই নেসনল কন্ট্রোল কন্মিসন মেম্বর কমরেদ ডা. এম নর, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল সী পি আইগী ইগজিক্যুটিভ মেম্বর কমরেদ এস সোরোজিনি, রিটাইয়র্দ সী এম ও কমরেদ ডা. কে এস ঐচ মংলেম অমদি সী পি আই থৌবালগী মেম্বর কমরেদ এস মৈপাকনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা কমরেদ এল সোটিনকুমারনা হায়খিবদা, ইন্দিয়া অসি দেমোক্রেসিগী ইন্সটিট্যুসননি হায়জরবসু লৈঙাকসিবু লুচিংলিবা প্রাইম মিনিষ্টরগী লীচৎসিদি ফেসিজমগী য়াম্না শাথিবা শক্লোন লৌবা লীচৎনি। মীয়াম্না দেমোক্রেসি হঞ্জিলহনগে, কন্সটিট্যুসন খঙগে অমদি ফেসিজমগী লৈঙাক অমা লাকহল্লোই হায়রবদি ঐখোয়না বি জে পি লৈঙাকসিগী মায়োক্তা লৈগদবনি। লাক্লিবা লোক সভা মীখলসিদা মীয়াম্না পারা তন্বীবা মতম চপ চারবনি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, সী পি আই হৈরোক লোকল কাউন্সীলগী ৫০রকশুবা মীফম ঙসি হৈরোক পার্ট ৱান হৈতুপপোকপী লৈকায়গী মীপুনশঙদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী লুচিংবা এল সোটিনকুমার, সী পি আই হৈরোক লোকল কাউন্সীলগী লুচিংবা নিংথৌজম লোকেন্দ্রো, পি লোখোন অমসুং কাউন্সীল অসিগী মতম শাংনা সেক্রেটরিগী থৌ পুরম্বা খুন্দোংবম মনিয়াইমনা মীফম অদুগী প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মীফমদুদা কমরেদ এল সোটিনকুমারনা হায়খিবদা, বি জে পিনা ইন্দিয়াদা পাল্লকপা চহী ১০ রোমসিদা লৈবাকসি প্রাইভেটৈজেসন দা খুৎচাউ থারে। লায়রবশিং মহৈ-মশিন তম্বা, লায়েংবা ঙমদ্রে। লৈবাকসিগী অপূনবা মীশিং ক্রোর ১৩০ রোমসিগী মনুংদা ক্রোর ৮০ রোমদি চরা অনী শুনা চাবা ফংদ্রি। অসিগুম্বা পার্টি অসি মায়থীবা পীনবা ৱাখল্লোন মান্নবা পার্টিশিং পুনশিন্নদুনা অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবা মথৌ তাই হায়বা ৱাফম মহাক্না ঙসিগী মীফম অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নুমিৎ ৪০নি মপুং ফাখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচ এন এস) : মণিপুর মীয়াম্না তংদু লৈতাবা পুরক্নবা চঙশিল্লিবা খোঙজংসিবু মপুং ফানা শৌগৎপীয়ু হায়না ত্রান্স জেন্দর সোসল এক্টিভিষ্ট মালেম থোঙামবু শৌগৎপশিংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, মনা পংলবা ষ্টেট অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থোঙ থিল্লদুনা ফেব্রুৱারী ২২দগী দেল্লি য়াওনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লক্লিবা ত্রান্স জেন্দর সোসল এক্টিভিষ্ট মালেম থোঙামগী খোঙজং ঙসি নুমিৎ ৪০নি মপুং ফাবগা লোয়ননা খুন্দ্রাকপম ময়াই লৈকায়দা খুন্দ্রাকপম অপূনবা ক্লব মঙা অমদি মফম অদুগী ইমা মৈরা পায়বীশিংগী মতেংগা লোয়ননা ঙসি খোঙজং মখা তানা চখুরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

থা ১ চখরকখিবা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচ এন এস) : মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা পর্ফোর্মিং আর্টিষ্ট এসোসিএসন থোংজু পার্ট ৱান নিঙোমথোংনা শীন্দুনা খূবাক ঈশৈগী মতাংদা থা অমা চুপ্পা চখরকখিবা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন প্রোগ্রাম ঙরাং লোইশিনখ্রে।

নিঙোমথোংজাওদা লৈবা এন ৱাই ভি ও ক্লব মনাক্কী শ্রীশ্রী রাধা মান দপতা পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরমদুদা সঙ্গীট নাটক একাদেমী এৱার্দী এন ইরাবোত, পান্থোইবী হায় স্কুলগী রিটাইয়র্দ এসিষ্টেন্ট টিচর দল্লিয়ু খম্বা, সিনিয়র জর্নেলিষ্ট অহোংশাংবম মোবি, মাইমোম লৈকায় প্রাইমারী স্কুলগী হেদ মাষ্টর এন মোধুচন্দ্র, থোংজু পার্ট ৱান গ্রাম পঞ্চায়টকী মেম্বর ঐচ শান্তিবালা অমদি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী গুরু অহল (চোলোম) টি গুনিন্দ্রোনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা এন ইরাবোতনা হায়খি, খূবাক ঈশৈসি ঐখোয়গী ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈরক্লবা য়াম্না ফজখ্রবা চৎনবী অমনি। খূবাক ঈশৈগী মতাংদা পর্ফোর্মিং আর্টিষ্ট এসোসিএসন্না শীন্দুনা নুমীৎ ৩০নিগী ওইবা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্লিবসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। ঐখোয়গী হান্নদগী লৈজরক্লিবা নাৎ অমদি চৎনবীশিং য়োকখৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় খূদিংমক্না শরুক য়াফম থোকই। লোয়ননা অসিগুম্বা মুৎখিবা য়ারবা চৎনবীশিং য়োকখৎনবা হোৎনরিবশিংদা অহেনবা মতেং পাংশিন্দুনা তুংগী হৌগৎলক্লিবশিংবু ঐখোয়গী চৎনবীশিং মপুং ফানা খঙহন্নবা হোৎনসি হায়খি।

লং কেন্সর নারকপা অমদি

নাবা হৌগৎলকপদা ঐখোয়না থেংনবা খুদমশিং খঙমিন্নসি



কেন্সর হায়বসি নারিবা হকচাংগী কয়াৎ অদুগী মখা পোন্না, খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা কেন্সর সেলশিং মচা পোকপা অমদি মশিং য়ামখৎলকপগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা মখলশিং লৈ। কেন্সর মখল খুদিংমক্কী মরক্তা লং কেন্সর হায়বসিনা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবগা লোয়ননা মালেম পূম্বদা চহী খুদিংগী কেন্সরগা মরী লৈননা শিবা মশিংগী চাদা ১৯ লোমদি লং কেন্সরনা মরম ওই। লংতা কেন্সরস সেলশিং মচা পোল্লকপা হায়বসি চাং নাইনা মৈখু শীজিন্নবা মীওইশিংদা নৎত্রগা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা কেমিকেলশিংদা এক্সপোজ তৌবা মফমদা থবক তৌবা মীওইশিংদা তোয়না থেংনগল্লি।

ঙল্লিঙৈগী ষ্টেজদদি, লং কেন্সরগী খুদমশিং অসি মশক খঙদোকপদা ৱানা থোক্কল্লি। মরমদি লংসতদি নর্ভ এন্দিংশিং মশিং য়াম্না য়াওদবনা মীওই অদুগী হকচাংদা নুংঙাইতবা অমত্তা থোকহন্দবা মওংদা কেন্সর সেলশিং অদুনা ইরায় লায়না মচা পোকপা ঙমহল্লি। করিগুম্বা মতমদদি মখোয় অসি এদভান্স ষ্টেজ য়ৌদ্রিবা ফাওবা আইদেন্টিফাই তৌবা ঙমদবা য়াওই। অদুমওইনমক, য়াম্না তাঙনা থোকপা কেসশিংদা খঙবা ঙম্বা নৎত্রগা উবা ফংবা লাইওং খরদি থেংনবা য়াওই। হায়রিবা লাইওংশিং অসিবু খঙবা হায়বসি তমথিরবা লায়না অসিনা শোকহনবা য়াবগী খুদোংথীবা লৈবা মীওইশিংগীদমক্তদি তঙাইফদে অমদি মসিনা মতম চারিঙৈদা অচুম্বা লাইয়েং চখহৌবা ঙম্বদা মতেং পাংই। লাইওংশিং অদুগী মরমদা মখাদা পীরি।

লেপ্তুনা লোক খূবা : কনাগুম্বা মীওই অমা কোল্ড নৎত্রগা ফ্লুনা মরম ওইরগা লোক খূবা য়াই। অদুবু হায়রিবা ফিভম অনীমক অসিদা লোক খূবা অদু নুমিৎ তরানিদগী হেন্না শাংথদে। লং কেন্সরনা নাবা মীওইশিংগী ওইনদি লোক খূবা হায়বসি অসূক্কী মতীক চাং নাইনা উবা ফংই। মরম শূক্লে লৈতনা চহী চূপ্পা লেপ্তুনা লোক খূবা য়াই। লোক খূবা হায়বসি হকচাংগী মপান্দগী পামদবা পোৎলমশিংনা শ্বর হোনবগী লম্বীদা অমদি লংসতা চঙলক্কদবদগী থিংনবগী পান্থৈ অমা ওইরগসু, মতম শাংনা লোক খূদুনা লৈবা হায়বসি লং কেন্সরগী খ্বাইদগী ইহান হানবা খুদম্নি।

কেন্সর সেলশিংনা লং মনুংদা য়াম্না খোঙজেল য়াঙনা মচা পোকথোক্নুনা মশিং য়ামখৎপা হৌরকপদা, হায়রিবা সেলশিং অদুনা নুংশিৎকী লম্বীবু থিংজিনবা নৎত্রগা খুজিলহনবা তৌই, মসিনা লংতা নুংশিৎ চঙথোক চঙশিন তৌবগী চাং হন্থহল্লি। অসুম তৌবা অসিনা মীওই অদুনা মহাক্কী হকচাংগী কয়াৎ খুদিংমক্তা পুথোক পুশিন তৌগদবা নুংশিৎকী চাং অদু য়ৌনা শ্বর হোনবা ঙমহন্দে, মসিনা মীওই অদুদা শ্বর হোনবা ঙমদবা নৎত্রগা নীংশা শ্বর চাউনা-চাউনা হোনবগী থৌওং থোকহল্লি। অদুগুম্বা মীওই অদুনা ষ্টেরগী থাক অমখক্তং কাবা ফাওবদা নীংশা চনীং-চমাঙ শম্নদবা ওইহনবা য়াই।

খোন শিবা : লং কেন্সরনা মীওই অমগী খোন ওলহন্দুনা, খোন শিহনবা য়াই। ইশাগী খোঞ্জেলদা অহোংবা লৈরগদি হেক য়ারিমখৈ ডোক্তরগা তানবা ফগনি। অদুমওইনমক, মীওই অমদা খোন শিবগী মরম অসি লং কেন্সরখক্তংনদি ওইদে। মরম অদুনা পাখৎনিংঙাই ওইদে অমদি অশেংবদু খঙদোক্লবগীদমক দাইগ্নোজ তৌথোকপা মথৌ তাই। হকচাং নাবা হায়বসি, নারিবা অদুনা ঐখোয়গী নুংতিগী থবক থৌরমশিংদা অকায়বা পীরক্লিবা ফাওবা ঐখোয়না অদুম থৌৱা শাদনা লৈথোক্কনবা জেনরেল হেল্থ ইস্যু অমনি। ঐখোয়গী হকচাংদা চৈনাখোল ফাওহল্লকপা মরম কয়ামরুম লৈ, মসি মতম কা হেন্না কুইনা ফল্লুরবা মতুংদা তৌরকপা য়াই নৎত্রগা অকনবা হকচাং শাজেল অমা তৌরুরবা মতুংদা ওইবা য়াই। অদুবু হায়রিবশিং অসিদি তাঙনা ওইবা ফিভমশিংনি অমসুং হকচাংগী মফম খুদিংমক্তা নাবা ফাওবা য়াই। অদুবু লং কেন্সরনা নাবা মীওইশিংদদি মরুওইনা থবাক, লেংজুম নৎত্রগা নঙ্গলদা নাবা য়াই। হায়রিবা ফিভম অসি লং কেন্সর নাবা মীওইশিংগী ওইনদি চাং নাইনা থেংনবা হেল্থ ইস্যু অমনি।

হকচাংগী অরূম্বা হন্থরকপা অমদি চোকথবা, অতেনবা মতম অমগী মনুংদা মরম চাদনা হকচাংগী অরূম্বা কিলো ৪ নৎত্রগা মসিদগী হেন্না হন্থরকপা হায়বসি হকচাং মনুংদা অনাবা অমা লৈরে হায়বগী খুদম ওইবা য়াই, হায়রিবা অনাবশিং অদুগী মনুংদা লং কেন্সর অসিসু অমা ওইবা য়াই। কেন্সর সেলশিং লৈরকপা অমদি মচা পোল্লকপনা চানীং-থক্লিংবা ফাওহল্লক্তবা অমদি হকচাংগী অরূম্বদা অহোংবা লাকহনবা য়াই। কেন্সর মখল অমা হেক্তনা নাবা মতমদা, ঐখোয়না চাশিল্লিবা চীঞ্জাকশিং অসিনা পুথোরকপা ইনর্জি অদু কেন্সর সেলশিংনা চুপশিনখি, মসিনা চোকথবা অমদি হকচাংগী অরূম্বা হন্থরকপা ওইহল্লকই। হকচাংগী অরূম্বা হন্থরকপা হায়বসি থৌশাদবা তৌরোইদবা মরুওইবা খুদম অমনি। অদুবু ঐখোয়না কাউরোইদবদি হকচাং নাদবা হায়বসিনা খ্বাইদগী হেন্না মরুওই। মরম অদুনা হকচাং নারক্ত্রিঙৈদা ঐখোয়না পায়খৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং মপুং ফানা পায়খৎকদবনি অমদি চাবা থকপা মতমদা য়াম্না চেকশিনগদবনি। অনাবা হায়বসিনা মতম পুম্বদা ঐখোয় মীওইবগী পুন্সিদা তেমশিংনগদবদগী ঙাইদুনা লৈরি হায়বসি খঙনা ঐখোয়না চেকশিন-থৌরাং লৌখৎকদবনি।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯱ (ꯑꯩꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ) : [illegible]

অইবা ৱাহং-পাউখুমগী অথোই-অহেন তান্নবা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) ময়াই লোয়শঙ ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায়দা মসা লোয়শঙশিং ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, ককচিং, বিষ্ণুপুর অমদি থৌবালগী প্রসিদেন্ট অমসুং জেনরেল সেক্রেটরিশিংগী ওইবা অপূনবা প্রেস কনফরেন্স অমা পাঙথোক্তুনা অইবা ৱাহং-পাউখুমগী অথোই-অহেন তান্নবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

কনফরেন্স অদুদা এম এস এফ বিষ্ণুপুরগী প্রসিদেন্ট খোইরোম মালেমঙানবনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর অমদি মালেমদা লৈরিবা মণিপুরী মহৈরোয়শিংগী অপূনবা লুপ অমা ওইরিবা এম এস এফনা 'ইরমদমবু খঙমিন্নহৌসি' হায়বা থীমসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা ইরমদমগী থাক্তা পাঙথোকপা অইবা ৱাহং-পাউখুমগী অথোই-অহেন তান্নবা (ষ্টেট লেভেল রিটুন ক্যুইজ কম্পিটিসন) অমা পাঙথোক্লগনি।

ইরমদমসিগী মহৈরোয় অমদি নহাশিং খুন্নাইসিগী তুংগী য়ূম্বীনি। অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবা হোৎনবনা চাউনা অহোংবা পুরক্কদৌরিবনি। ঙসিগী হৌরক্লিবা নহা কয়া ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী চৈথেং ফংদুনা মহৈ-মশিনদা মপূক্লিং চঙলক্ত্রে। ইরমদমসিগীদমক কথোক্লিংবগী ৱাখল লাপথোরক্লে। খুন্নাইসিদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং নৈনবা ঙমশিল্লক্ত্রে। ওইরক্লিবা ফীভমসিদা মখোয়বু নীংথিনা ইরমদমসিবু খঙহনবা মথৌ তারক্লি হায়বা ৱাখল্লোনসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা ক্যুইজ কম্পিটিসনসি মহৈরোয় লুপসিনা পাঙথোক্কদৌরিবনি হায়খি।

চৎলিবা এপ্রিল ৫দগী রেজিষ্ট্রেসন ফোর্ম লৌবা অমদি থাজিনবা হৌরগা এপ্রিল ২০দা অরোইবা নুমিৎ ওইগনি। লৈবাকসিদা থোক্লিবা ঈরাংসিগী য়েংদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগীদমক্তদি রেজিষ্ট্রেসন ফোর্মগী মমল লৌরোই। অদুগা অতোপ্পা মহৈরোয়শিংগী ওইনদি লুপা ৫০ ওইগনি। কম্পিটিসন অসি ক্লাস আইটতগী টুয়েল্ব ফাওবা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। এম এস এফ হেদ ওফিস, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, ককচিং অমদি থৌবাল ব্রাঞ্চ ওফিসশিংদগী ফোর্ম ফংগনি। কম্পিটিসনসিদা দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তগী ফর্ষ্ট, সেকেন্দ অমসুং থর্দ খনগৎকনি হায়খি।

মেরিটোরিয়স এৱার্দ পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচ এন এস) : কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল অথোই কামৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হৌখিবা মার্চ ২৫দা কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরগী তরুকশুবা ফাউন্দেসন দে ইম্ফাল ৱেষ্টকী মেজোর খুল কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপগা লোয়ননা কবুই মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগত্তুনা মেরিটোরিয়স এৱার্দসু য়েন্থোকখি হায়রি।

থৌরম অদুদা পৌ থাইমৈ গাইপুইলিন কবুই এম পি এস রিটাইয়র্দ কম্যান্দেন্ট ৮শুবা আই আর বিনা অথোইবা মীথুং, ডা. কে হিরা কবুই প্রসিদেন্ট কবুই য়ুনিয়ন মণিপুর, পৌ এল কদাংপু, সাপমচা জাদুমনিনচিংবনা শরুক য়াখি হায়রি।

এ কে এ সী এনা পুথোকপা খোংজোম পর্ব উৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচ এন এস) : অথোকপম খুনৌ আর্ট এন্দ কলচরেল একাদেমী (এ কে এ সী এ) থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা নৌনা চহীগী ওইনা পুথোকপা খোংজোম পর্ব উৎখ্রে। এ সী আর টিগী রিহার্সেল হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী সেক্রেটরি য়ূম্নাম বসন মৈতৈনা অথোইবা মীথুং; এ সী আর টিগী ভি পি শামুঙৌনা থৌরম মপু ওইখি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২।০৪।২০২৪ ইং, লৈবাকপোকপা;
লমতাগী ২৩ নি পানবা।

মেষ: পূক্লিংদা চিংনবা পোকপা, নচা-ননাইনা ময়েং তাহনবা, চাদিং হেনবা য়াবা লৈ। তপথবা/লৌশিং চাউবগী ৱা তাবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

বৃষ: লাইবক ফবদি খরা ৱাৎকনি অদুনা নীংবা খুদিং মায় পাক্কনি খনগনু। মরুপ লোয়নবা অমদি থৌনা ফুদোকপদি শোয়দনা কান্নজগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংহন্নগনু, কান্নগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

মিথুন: অফা-অপুন অমদি য়েৎনবা মরম নত্তনা থোইনা মায় পাক্কনি। অফবা মরুপ ফংগনি, মিংচৎ তানবা মতাং চাই, লনসু চঙগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশি মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কর্কট: নথক থোংবগা লান্না খন্নবা, য়েক্নবনা কিহনবা লৈগনি-মীৱা থোইনা থাজরুনু। হকচাংদি নুংঙাইগনি, শেন্দোং চাউনা ফংগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

সিংহ: অনম তানবা অমদি হোয়া ফবনা মতম মাংবতা নত্তনা নুংশাথিবা নংবা য়াবা লৈ। মীয়াম লোয়নবদি থবক পাঙগনি, নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংগী- মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

কন্যা: হকচাং নুংঙাইজবা, শিন-লাংবা হৈবা, মীনা নুংশিবীবা, পাংঙমদবা থবক পাঙবগী নুংঙাইবা নুমিৎনি। চরাংনরদি মতম মাঙগনি।
লৈশা পাখংগী- ঙাংবদা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

তুলা: লাইবক ফবনা অনিংবা থবক পাঙগনি, লৌশিংসু চাউই। চেকশিন্দ্রদি করিসু নত্তবদা ইকায়বা নংগনি, নথক থোংবগী ৱা তাউ।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃশ্চিক: লৌশিং ফুদোকপা ৱাগনি, য়েক্নবনা লান্না পাউথোকপিগনি, ৱা য়াম্না ঙাংথোক্কনু। ইমুং-মনুং/নঙগী ওইবা মীশিং লোয়নবা নুংঙাইজগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবনা লুম্না লৌই।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

ধনু: অনম তান্নবনা মরুপ-মপাংগা মরী ফরোই-নোল্লুক্না চৎপা ফগনি। নচা-ননাইদি চাওখৎকনি, মতাং চারদি থৌনা ফুদোকপা ফৈ।
লৈশা পাখংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

মকর: য়েক্নবদি লাকশিনগনি, নথক থোংবনসু চাল্লি, পোরম শীন্দোকপা হৈগনি। অশাওবা/লাংতক্লবদি ফাথৌ-নৎত্রদি নরল মাঙগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

কুম্ভ: লাইবক থোইনা ফবনা য়াম্না চাউনা কান্নবা ফংগনি। অদুবু খুরৌ থাংবা, লৌশিং ফুদোকপা ৱাবদি লৈগনি। পাউতাক লৌবা তনগনু।
লৈশা পাখংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

মীন: নীংবা মপা চানা থৌ পাঙগনি। মীয়াম্না তেংবাঙনিংগনি, মখোয়গা লোয়নবনা নুংঙাইজগনি। য়েক্নবনদি ৱাহনগনি-নোল্লুকপা ফগনি।
লৈশা পাখংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

লিটরেরি ক্যুইজ-৮৬কী ৱিন্নর লৈশাংথেম দয়ানন্দ মীতৈনা ওইখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচ এন এস) : পাউচে অসিগী লেপ্তুনা চখরক্লিবা লিটরেরি ক্যুইজগী ৮৬শুবা তাঙ্কক্কী ৱিন্নর লংথবাল লেপ মখা লৈকায়দা লৈবা লৈশাংথেম দয়ানন্দ মীতৈনা ওইখ্রে।

ৱিন্নর ওইরবা লৈশাংথেম দয়ানন্দ মীতৈনা পাউচেসিদা ফোঙদোরকপদা, হুইয়েন লানপাউনা মণিপুরী সাহিত্যগা মরি লৈননা লিটরেরি ক্যুইজ শীনবীবগীদমক থাগৎচরি। মতম কুইনা মায় পাক্না পাঙথোকপসু ঙম্বা ওইবীয়ু। ঐখোয়না ইমারোল, ইমারোলগী সাহিত্যবু নুংশি। নুংশিবদু উৎথোকসি। ইমারোল চাওখৎহনসি, সাহিত্যগী শৈরেং, ৱারেং কয়াদা অইবা কয়াগী মমল য়াম্লবা ৱাফম কয়া য়াওরি। অদুবু লুরিবদি ঐখোয়গী সাহিত্যনা খুন্নাইসিগী মীপুম খূদিংমক্কী পূন্সিদা ইথিল পীবদি ঙমদ্রি। করিগুম্বা ঙল্লবদি ঐখোয়গী মণিপুরী খুন্নাই অমদি লমদমসিগী লৈঙাক্লোন্দা অচৌবা অহোংবা অমদি শোয়দনা পুরকপা ঙমগনি থাজে হায়খি।

মসিগী খৌরাংবা অমদি অদুম্মক লৈরি। নাকল অমরোমদা, ঙসি ইরমদমসিদা ঐগী-ঐগী ফূরুপ-কাঙলুপ হায়বগী মরুমদা পূন্সিগী অমুক্তা থেংনরক্ত্রিবা তমথিরবা তারু-উরুবদা নুংঙাইত্রবা, অকিবা, হঙ্গোইনিংঙাই ওইরবা থৌদোক কয়া নোংমা কাংদনা থোক্লি। লমদমসিদা হিংমিন্নরিবা ঐখোয়সি ইচিল-ইনাওনি হায়না মুন্না খন্থরগা ঈং-তপ্পা লমদম অমা ওইহন্নবা পূম্নমক্না থৌদাং য়ামিন্নরসি হায়খি।

ꯑꯦꯝ/ꯑꯦꯁ ꯕꯤ ꯕ꯭ꯔꯤꯛ ꯐꯤꯜꯗ
M/S BEE BRICK FIELD
Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate	No. Of Bricks	Amount
1st Class	13.00	1,500	19,500
		2,000	26,000
2nd Class	12.20	1,500	18,300
		2,000	24,400
1st Reject	11.00	1,500	16,500
		2,000	22,000
Jhamat	10.00	1,500	15,000
		2,000	20,000
P.T	10.50	1,500	15,750
		2,000	21,000
P.T Reject	8.50	1,500	12,750
		2,000	17,000
3rd Class	5.50	1,500	8,250
		2,000	11,000
4th Class	4.00	1,500	6,000
		2,000	8,000
Checktek 1 Load 407 Cantor			3,500

Contact No. 7005513073
HL-P/10145/31/3-9/4

ꯁꯁꯤ ꯀꯣꯆꯤꯡ ꯁꯦꯟꯇꯔ
SASHI COACHING CENTRE
Khurai Ahongei Leikai, OPP. Babina Diagnostic, JNIMS Road
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN KHURAI SOIBAM LEIKAI
ADMISSION OPEN
XII FOUNDATION COURSE (COHSEM & CBSE)
Subjects offer:
Physics, Chemistry, Mathematics, Biology, Home Science, English and Manipuri
Class Starts on: 15th April 2024
Class Timing: Evening (4:00 to 8:00)
SPECIAL FEATURES :
- Updated study materials & Previous years questions
- Expected Questions for upcoming exams
- Unit- wise test & Mock Test
- Experience and expert faculties
- Affordable course fee
Available: Hostel (Boys & Girls) + Van Services
For more information, please visit, Sashi Coaching Office: +91 7005023985, +91 7005329252
HL-P/10326/2 to 13 April

KINGDOM®
ꯀꯤꯡꯗꯝ INSTITUTE
Skill India
N·S·D·C National Skill Development Corporation
Transforming the skill landscape
Recognized by Ministry of Corporate affairs, Govt.of India
An ISO 9001:2015 Certified Institute
Special Class
for X, XI, XII Appeared Students
IT & SKILL COURSES
- Computer (3,6 Months)
- Spoken Hindi
- Spoken English
AVIATION COURSE
6th Batch - 13th May, 24 (1 Year)
- CABIN CREW
- GROUND STAFF
OUR RECENT CHAMPIONS
JAYALUXMI
H.TUNANBI
DELPHIA
NG.ELINA
L.HENTHOISANA
PH. GOLDY
H. OMILA
L.TOMTHINGANBI
N. JEENA
A.LINGTHOI
(1) MPP Complex, Paona Bazar Behind Pologround
(2) Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor)., Old Lambulane, Opp. GP Women's College
7005776944 / 8837407726
HL-B/8609/7,9 to 25 Alt.